# মৈরাবা লুৱাংনা সেনিয়র ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন্দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা এপ্রিল ৪ দগী থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ থাইলেন্দনা শিন্দুনা চথুরকখিবা য়োনেক্স-সিরা-রোজা-বি টি ৱাই ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরদগী মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা ওইনা সেনিয়র মেন'স সিঙ্গলস ইভেন্টতা শরুক য়াদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

বি দব্লিয়ু এফ অমসুং এসিয়া বেদমিনটনগী মিৎয়েং মখাদা চথুরকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা পূন্না শান্নরোয় ১৪০০ না এন্ত্রি থাজিল্লকখি। মদুগী মনুংদা মেন'স সিঙ্গলস ইভেন্টতা শান্নরোয় ১২৮, চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলস ইভেন্টতা শান্নরো ২০২ না শরুক য়াখি।

এসিয়া কন্টিনেন্টকী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী লাকপা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা সেনিয়রগী সিঙ্গলস ইভেন্টতা শরুক য়াদুনা মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে।

সেনিয়র ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা ওইনা সেনিয়রগী কাঙলুপ্তা মেদল লৌরকপদা থাগৎপা ফোঙদোক্ল রক্লি। মশাগী চহী ১৪ গা থা ৪ খক্তা ঙাইরিবা য়াম্না নহা ওইরিবা তুংগী আশা চাউনা লৈরিবা সত্তুলর মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী চহী ১৭ মখাগী বোইজ সিঙ্গলস ইভেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্কী মসলদা অনাবা ফাওরকখিবনা মরম ওইদুনা লৈহৌখি।

মেন'স সিঙ্গলস ইভেন্টতা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখি। অনীশুবা রাউন্দদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা থাইলেন্দগী ফাক্রোনবু ২১-১১, ২১-১৫ দা মায়থী পীখি। অহুমশুবা রাউন্দদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং থাইলেন্দগী রেঙ্কিং ৯ শুবদা লৈরিবা ফটি ফৰাটচয়াপারা দ্রোনবু ২১-১৯, ২১-১৭ তা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা রাউন্দদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা থাইলেন্দগী ৱিচারাপোঙবু ২১-১৩, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা রাউন্দদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা থাইলেন্দগী টুদসাপোলবু ২১-১০, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

সেমী ফাইনেলদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং থাইলেন্দগী রেঙ্কিং নম্বর ১ দা লৈরিবা শান্নরোয় প্রারজভৰাট থোংনুঅমগী মখূত্তা ১২-২১, ১৮-২১ দা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি।

চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলস ইভেন্টতা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা রাউন্দদা লাওসকী অরোনসভাথবু ২১-৩, ২১-৯ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা রাউন্দদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা থাইলেন্দগী ফাক্রোনবু ২১-৯, ২১-৯ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা রাউন্দদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা থাইলেন্দগী রেঙ্কিং নম্বর ৫ শুবদা লৈরিবা তাঙসরিরাপেহানবু ২১-১৯, ২১-১৭ দা মায়থীবা পীদুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ইন্দিয়াগী রমেস অদরস সুব্রমনিয়মবু ২১-১৪, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং মসলদা অনাবা য়াওরকপনা মরম ওইদুনা মেচ অদু পাঙ্গল থোক্লা শান্নবা ঙমখিদবগা লোয়ননা জপানগী উচিনো হরুতিগী মখূৎতা ২১-১৯, ২১-১৮ দা মায়থীহৌদুনা নীংবা কায়খি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী সলাম বিদ্যাসাগর চহী ১৭ মখাগী সিঙ্গলস ইভেন্টকী প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী ক্রিদসাদাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী য়েংখোম পুন্সিবা চহী ১৭ মখাগী বোইজ সিঙ্গলস ইভেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি। চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী দবলসকী ইভেন্টতা মণিপুরগী য়েংখোম পুন্সি অমসুং সলাম বিদ্যাসাগরগী জুরা অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি।

## থাঙ-তাগী ত্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) : চহীসিগী জুন ১৫ দগী ১৮ ফাওবা উত্তর প্রদেশকী আগ্রাদা লৈবা আর ভি পব্লিক স্কুলদা তরুকশুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৭ পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ফেদরেসন কপ অসিদা মণিপুরগী ওইনা শরুক য়ারুগদবা জুনিয়র, সব জুনিয়র অমদি সেনিয়র কাঙলুপকী নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোয়শিংগী ওইবা ত্রাইএল সেলেক্সন অমা য়ূম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা হুইয়েন লাংলোন থাঙ তা এসোসিএশনগী শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি। হুইয়েন লাংলোন থাঙ তা এসোসিএশন মণিপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৬ কী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা থাঙ-তাগী ত্রাইএল সেলেক্সন্দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা মতম চানা লাক্লবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা অকূপ্পা মরোল এসোসিএশনগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

## জুনিয়র বোল্লিবোল টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) : কেরলাগী ইর্নাকুলমদা চৎলিবা থা অসিগী ১৯ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ৪৩ শুবা জুনিয়র নেসনল বোল্লিবোল চেম্পিয়ননশিপ ২০১৭ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুর বোল্লিবোল টিম থা অসিগী ১৪ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলস টাইটল রাহুল পামৈনা লৌখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ : মণিপুর টেনিস এসোসিএশন (মাটা) না শিন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসার ক্লবকী টেনিস কমপ্লেক্সতা চথুরকখিবা ১৬ শুবা গভর্ণরস ত্রোফি কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা জোসুৱা রাহুল পামৈনা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

নুমিৎ মঙানি চুপ্পা চথুরকখিবা গভর্ণরস ত্রোফি কেশ প্রাইজ টেনিস টুর্নামেন্টকী ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জোসুৱা রাহুল পামৈনা হাওবম বুসন ৬-৪, ৪-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা রাহুল পামৈনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৪ অদুগা রন্নর্স-অপ তাখ্রবা হাওবম বুসন্না ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ২ গী শেলগী মনা ফংখি।

চহী ১২ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলস ফাইনেল ঙরাং শান্নখিবা অদুদা হাওবম বুসন্না এস বিকি ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা হাওবম বুসন্না ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৩ গী শেলগী মনা ফংখি। এস বিকিনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশী ১৫০০ গী শেলগী মনা ফংখি।

চহী ১০ মখাগী নুপামচাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ঐচ সঙ্করনা এস অশ্বজিৎ মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা ঐচ সঙ্করনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ২ গী শেলগী মনা ফংখি। এস অশ্বজিৎনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং অমগী শেলগী মনা ফংখি।


চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নোংমৈকাপ্পম চার্মিনা ৱাই অগু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। ৱিন্নর ওইখ্রবা নোংমৈকাপ্পম চার্মিনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ২ গী শেলগী মনা ফংখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা ৱাই অগুনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং অনীগী শেলগী মনা ফংখি। লোয়ননা সেমি ফাইনেলিষ্ট এল নন্দি অমসুং এল লিন্দাদা লুপা লিশীং অমমমগী শেলগী মনা পীখি। চহী ১০ মখাগী নুপীমচাগী সিঙ্গলসকী ৱিন্নর মৈদিংঙু নিংথেমচা চনু সনরেম্বনা ওইদুনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ২ গী শেলগী মনা ফংখি। ৱাই থোইবীনা রন্নর্স-অপ তাদুনা লুপা লিশীং অমগী শেলগী মনা ফংখি।




HL-B/3779/23/32-24/4



HL-P/1221/29,31,2,3,8,9,10...14



HL-P/1238/4-10



HL-P/1010/03/03-6/04





Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com